# জুন ২৬ - মালেমগী ওইবা দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং আইন্না য়াদবা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ - দ্রগকী মরমদা অচুম্বদু খঙমিন্নসি, মীওইবগী পুন্সি কনসি

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



মালেমগী ওইনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা দ্রগ করবার অমসুং দ্রগ শীজিন্নবা হেনগৎলকপা অসিনা হকশেলদা, খুন্নাইদা, শেন্মীৎলোন্দা, মীওইবগী পুন্সিদা শোকচিল্লকপা কয়া অসি য়েংলুরগা দিসেম্বর ৭, ১৯৮৭তা ফমখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিদা য়ানখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না জুন ২৬ অসিবু কুমজা ১৯৮৯দগী দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং আইন্না য়াদবা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মালেমদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক দ্রগকী অরোনবা করবার, দ্রগ শীজিন্নবদগী হীরম খুদিংদা মাঙথরক্লিবা অসি খঙমিন্নদুনা দ্রগ শীজিন্নদবা মালেম অমা ওইহল্লসি হায়বা অসিনি। হন্দক চহীগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা হীরম (থিম) দি Share facts on drugs, Save lives হায়বসিনি। দ্রগকী মরমদা লান্না থাজনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈ। মসিনা দ্রগ শীজিন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি অমসুং মীওইবগী পুন্সিদা তেমশিংনরি। মরম অসিনা দ্রগ শীজিন্নবগী অমাঙবা কয়া অদু মুন্না খঙমিন্নদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনসি। এক্সপার্ট নৎত্রগা হীরম অসিদা থবক তৌরিবা এজেন্সিশিং মরু ওইনা UNODC, WHO, Ministry of Health, NCB, দ্রগকী মরমদা থিজিল্লিবা ওথোরিটি নৎত্রগা মীওইশিংনা হায়বা নত্তনা অতোপ্পা বেসিস লৈতবা চুমদবা ৱাফম অমত্তা থাজবীগনু। দ্রগ শীজিন্নবনা খুন্নাইদা, হকশেলদা, শেন্মীৎলোন্দা, স্পিরিচ্যুএল লাইফতা চাওনা অমাঙবা ওইহল্লি। ৱর্ল্ড দ্রগ রিপোর্ট ২০২০গী মতুংইন্না চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন ২৬৯ দ্রগ শীজিন্নে। মসিগী মনুংদা চাদা ৩০না দ্রগতা লায়চুরবা মীওই হায়বদু ওইরি। মরু ওইবা দ্রগ খরদি - Alcohol, Cannabis, Opiates, Stimulents, Hallucinogens, Inhalents, Cocaine, Tobacco, Sleeping pills পনবা য়াই।

মণিপুরদসু নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা মখল মখা কয়াগী দ্রগ শীজিন্নে। চাওরাক্লা চাদা ১গী মথক্তা হিরোইন শীজিন্নে। নাইন্টিন আইটিজগী মতমদা হিরোইন শীজিন্নবদগী ঐচ আই ভি/এইদসকী প্রোব্লেম ঙসি ফাওবা মসিগী চৈনা ফংলি। দ্রগ শীজিন্নরকপগী মরু ওইবা মরম খরদি দ্রগ মরাং কায়না ফংবা, চাংয়েং তৌনীংবা, তোকনীংবা মতমদা তোকপা ঙমগনি খনবা, দ্রগ শীজিন্নবনা অৱা অনা কয়া কাউথোকপা ঙম্মী থাজবা। গোল্ডন ট্রাইএঙ্গলদগী পুথোরকপা হিরোইন মণিপুর ফাওরগা ইন্টরনেসনল মার্কেট য়ৌখিনবগী ট্রাঞ্জিৎ রুট অমা ওইরি। মসিদগী লিৎথহৌবা দ্রগ অদুনা মমৈথংদা য়ুজর ষ্টেট অমা ওইরকখি। দ্রগ লল্লোনবা কাঙবুশিংগী অচৌবা শেন্দাল লম্বী অমা ওইরি। হৌজিকসু কোভিদ-১৯ লাইচৎ মতম অসিদা হিরোইন, এ টি এস (দব্লিয়ু ৱাই), এন পি এস কয়া পুলিসনা ফাগৎপা লেপত্রি। হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইবা ৱাফমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা দ্রগ শুংফম ময়াম অমা তোয়না ফাগৎলকপা অসিনি। অসিদসু নত্তনা চীংগী লমদা পাক্তক্লনা পোপি প্লান্টেসন তৌরকপা, পোপি সীদ মরাং কায়না পুথোক্তুনা শেন্দাল লম্বেল অমা ওইরি। অসুম্না অসুম চত্থবা তারবদি মতম খরগী মতুংদা মণিপুর অসি অনৌবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল অমা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিদসু নত্তনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুং অসিদা য়ু থকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

চাক চান্নবা, উসব, দেব-কর্ম্ম, থৌদোক-ৱাথোক কয়াদা য়ু শীজিন্নবা অনৌবা ৱাফম নত্তে। দ্রগ (Psychoactive substance) অসি নুপী কাঙলুপ্তুসু শীজিন্নবা ঐখোয়না উরি। চীং অমসুং তমদা জরদা, তলপ, খৈনি নুপীশিংনা হেন্না শীজিন্নবা থেংনৈ। ক্বা মনা (মিথা পতা), জরদা, খৈনিগী পোৎলম কয়া তোয়না ফাগৎতুনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহল্লি। মসিনা তাকপদি পোৎলমশিং অসি দিমান্দ য়াম্না লৈরি হায়বনি।

দ্রগ শীজিন্নবদগী হোংলক্লিবা খুন্নাইগী মায়ওন অসি হঙ্গৎনা য়েংসি। দ্রগ শীজিন্নবা মীওইশিংদা ৱাখল লায়না নাবগী চাং ৱাংই। মসিগী মরম কয়ামরুম লৈ। দ্রগতা লাইচুবদগী নাম্থোকপা ঙমদবা, হিংবগী মহাউ লৈরক্তবা, সোসল আইসোলেসন, দিসক্রিমিনেসন নৎত্রগা সোসল সপোর্ট ৱাৎলকপা, মখল মখা কয়াগী লায়না লোয়নরকপা খুদম ওইনা HIV/AIDS, STI, Hepatitis C, B । মমৈথংদা শিনীংবা ফাওরকপা। দ্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া দ্রগ ওভর দোজদা শিদুনা লৈরম্লে হায়রিবশিং অসি সুসাইদিএল ইন্টেন্সন ওইরম্বসু য়াই। দ্রগতা লাইচুরবা মীওইশিংবু মীওই কাঙলূপ খরনা শেল তানফম ওইনা উরকপা, দ্রগকী করবারদা য়াওহনবা, নম্ফুদা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা মিং চন্দুনা শেল তান্নবা হোৎনবা ঐখোয়না উরি। মীওই কয়া অমনা সবষ্টিট্যুসন দ্রগ শীজিন্নদুনা মপুন্সি লেল্লি অমসুং অনৌ অনৌবা দ্রগ মখল কয়া চাংয়েং তৌরি। মপূং ফাবা লায়েংফম, Therapeutic Community (TC) অমসুং এপেক্স হোস্পিটাল লৈতবা, ষ্টেট দ্রগ পোলিসি মপূং ফানা চৎনহনবা ঙমদবা মরম কয়া অসিনা লমদম অসিগী নহাশিংনা দ্রগ মখল কয়া MDMA, Cocaine শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। খ্বাইদগী হেন্না সেরিয়স ওইবা অমসুং খন্ননীংঙাই ওইবা ৱাফমদি মণিপুরগী চীংমায় খুদিংমক পাক্তক্লনা কানি (পোপি) পাম্বী থারকপা অসিনা হীরম অসিদা অচৌবা খূৎলায় পায়বা গেঙ খূৎপু অমা লৈরব্রা হায়বসিনি। মীওই খুজোক খরনা শেঞ্জাও পায়নবা হোৎনরিঙৈদা লমদম অসিগী নহাশিং, মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি মাঙহনগদৌরি। কানি পাম্বী পাক্তক্লনা থারকপা, পোপি সীদ মরাং কায়না ফংবা অসিনা নাকোয়ননা লমদম অসিদা ব্রাওন সুগর, হিরোইন শুংফম কয়াগী হৌরকফম ওইহল্লি। মফম অসিদগী দ্রগ পুরগা চৎখিবা লমদম অসিগী মীওই কয়া থংনবা ষ্টেট অমদি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ফাবগী পাউ তত্তনা তারি। মসি অফবা খুদম নত্তে। মতম চানা থিংহৌদ্রবদি দ্রগ লল্লোনবা গেঙ খূৎপু অসিনা মণিপুর পায়শিনখিবা থোইদোক্লা ঙকনীংঙাই ওইরোই। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া ওইরিবা কৌব্রু হিল রেঞ্জ পুংকোক কোক্লক্লে। এন এ বি অমদি মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিংনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোপি প্লান্ট য়াম্থৎতুনা মাঙহনবগী থবক চত্থদুনা লাক্লি। মণিপুরগী লৈজরিবা ইকো সিষ্টম তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লি। হৌজিক ঐখোয় খন্থবা মতম ওইরে। জুন ২৬ করিগীদমক্তা ৱর্ল্ড দ্রগ দে হায়না পাঙথোক্লিবনো। অহানবা চাইনাগী ওপিয়ম ৱার মাঙওইননা Lin Zexu গী লুচিং মখাদা কুমজা ১৮৩৯, জুন ২৫দা Guangdong province তা ওপিয়ম ত্রেদ লোইশিনবা ঙমখি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা অমদি মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা জুন ২৬ অসিবু অন্তরজাতিগী দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং আইন্না য়াদবা দ্রগ লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপসিদা ঐখোয় অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবা চুমগনি। দ্রগ শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা মাঙথরক্লিবা কয়া অসিদগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু কনবা ঙমজনবা দ্রগ শীজিন্নবগী অমাঙবশিং অসি খঙমিন্নরসি অমসুং মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনমিন্নরসি। ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরদি ১) লৈরিবা সী এস ও, এন জি ও, রিলিজিয়স বেজ ওর্গনাইজেসন্স, ক্লবস, ষ্টুদেন্ট বোদিজ ময়াম অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মফম খুদিংমক্তা এৱ্যের্নেস কেম্পেয়্যন চত্থবা মতম ওইরে। ২) লৈঙাক্লসু ষ্টেট দ্রগ পোলিসি চৎনহন্দুনা থবক্তো ওন্থোকপা তঙাইফদ্রে। ৩) লৈরিবা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং অসিসু গাইদলাইন অমদি এস ও পি নৌনা শেমদোক্তুনা 'Therapeutic Community' মোদেলদা থবক তৌহনবনা ফগনি। ৪) Psychiatrist, Psychologist, Therapist, Ex-drug Addict and Vocational Expert কী খুদোংচাবা লৈবা মপূং ফাবা এপেক্স ত্রিটমেন্ট সেন্টর/হোস্পিটাল অমা থম্বা মথৌ তারে। ৫) লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনসু দ্রগ করবার তৌবা মীওইশিং আইনগী মখাদা অকনবা চৈরাক পীহন্নীংই। ৬) অচুম্বা ৱায়েল মতম চানা চত্থবা য়ানবা দ্রগ টেষ্টিং লেবোরেটরি লিংখৎপা কান্নগনি।

অঙাং অমগী হৌরকফমদি ইমুংনি। অঙাং অমা শেম্বদা মমা-মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মমা মপাশিংনা চেকশিনগদবা খরা :-

১) মচানা তিন্নরিবা মরুপ-মপাংশিং অদু কনা কনানো, কদায়দগীনো থিদোকপা, খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। অহানবা দ্রগ শীজিন্নবা হৌবা হায়বসি লোয়নরিবা তিন্নরিবা মমান্নবশিংগী মখা পোল্লি। অফবা মরুপ-মপাংশিংগা লোয়নবা-তিন্নবা হায়বসি পূন্নমক্কী য়াইফবনি।

২) মমা-মপানা ফত্তবা লিচৎ চৎলবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা মীওই অমা ওইরবদি মচা ৱারকপা য়াবা হৌনদে। ফিদমনীংঙাই ওইবা মীওই অমা ওইবা তাবনি। মচাগী অপাম্বা খঙবীগদবনি অমসুং অফবা থবক তৌবদা পূক্নিং থৌগৎপীগনি।

৩) য়ূম অমদা লৈরিবা মীওইশিং অদু নুংশিননা, দিসিপ্লিন লৈনা অমনা অমবু মতেং পাংদুনা লৈমিন্নগনি। অঙাংদা নুংঙাইতনবা নৎত্রগা নিংহন্নবা য়াবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনগনি। পোৎশক অমা দিমান্দ তৌবা মতমদা মদুগী মরম খঙনা হোৎনগনি। য়ানীংদবা ওইরগদি মদুগী মরম খঙহন্দুনা ৱাখল তামিন্নগনি। য়ারিবমখৈ পোজিটিভ ইনভাইরোনমেন্ট অমা ক্রিএট তৌনবা হোৎনগনি।

৪) মতাং চানা, মরম চানা অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং, মসিগী ফত্তবা, খুদোংথিনীংঙাই ওইবা হকচাংদা, ব্রেন্দা, লাইরিক-লাইশু তম্বদা অমদি খুন্নাইদা কয়াম মাঙজবগে হায়বদু শন্দোক্লা তাক্তুনা খঙহনগনি। মসিনা অঙাং অদুদা অফবা দ্রগ শীজিন্নদবা মীওই অমগী আইদেন্টিটি শাগৎপদা মতেং পাংগনি।

৫) মমান্নবা তিন্নবা অমনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম অমা শীজিন্ননবা নৎত্রগা চাংয়েং তৌনবা খঙহল্লকপা মতমদা খুদক্তা নো হায়বা ঙম্বগী থৌনা লৈগদবনি অমসুং অসিগুম্বা মরুপ মপাংশিংদগী চেকশিনগদবনি।

৬) ইমুং অমগী মীওই অমনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম অমা শীজিন্নবা থেংনবা, খঙবা মতমদা মদু য়াদে হায়বদু মীওই খুদিংমক্লা ফোঙদোক্কদবনি। অদুগা অফবা থবক অমা তৌরকপা মতমদা পূক্নিং থৌগৎপীগনি। দ্রগ শীজিন্নে হায়বগী চিংনবা লৈরবদি নোংমগী রুটিন শেমদোক্তুনা শান্ন-খোৎনবা, য়োগ নৎত্রগা অতৈ হীরম অমদা য়াওহন্নবা হোৎনগনি।

৭) পিকনিক তোয়না চৎপা, বর্থদে তোয়না য়াওবা, চাক তোয়না চান্নবা হৌজিক্কী মতমদা অফবা নত্তে। দেলি রুটিন অমা শেম্বীদুনা মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনবীগনি। শান্নবগী মতম, রিক্রিএসনগী তাঞ্জা পীগনি। অদুবু অকক্লবা মতম অমদা ওইগনি। করিগুম্বা মতমদা ফেমিলিগী ওইবা রিক্রিএসন প্রোগ্রাম শীনবসু কান্নগনি।

জুন ২৬ অন্তরজাতিগী দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং আইন্না য়াদবা দ্রগ লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ পাঙথোকপগী মরম মমুৎ তানা খঙমিন্নসি, মীওইবগী পুন্সি কনসি, অফবা খুন্নাই অমা শেমসি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লম হৈমাং # ২৯৬

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা অদুগা শিংজু অমসুং হৈঙান চানবা হৈমাং হায়রিবা পাম্বী অসি নত্তবা লমলক্তা হৌবা অতোপ্পা হৈমাং পাম্বী মখল অমা ঐখোয়গী লমদমসিদা হৌই। হায়রিবা পাম্বী অসিবু লম-হৈমাং নৎত্রগা হৈমাং মচা হায়না কৌনৈ। হায়রিবা লম-হৈমাং পাম্বী অসি ইংলিসতা মাকাসর কর্নেলস (Macassar kernels) নৎত্রগা অদামজা (Adamja) নৎত্রগা আতানশি (Atanshi), রোংমৈদা তামু (Tammu), চাইনিজদা য়া দান জী (Ya Dan Zi), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ব্রুসিয়া জাভানিকা (Brucea javanica (L.) Merr.) নৎত্রগা ব্রুসিয়া গ্রেসিলিস (Brucea gracilis DC.) নৎত্রগা ব্রুসিয়া আমারিসিমা (Brucea amarissima (Lour) Desv. ex Gomes) নৎত্রগা ব্রুসিয়া গ্লাব্রাতা (Brucea glabrata Decne) নৎত্রগা ব্রুসিয়া সুমাত্রানা (Brucea sumatrana Rexb.) নৎত্রগা রস এফিনিস (Rhus affinis Wall.) নৎত্রগা রস অমেলা (Rhus amela D. Don) নৎত্রগা আইলান্থস গ্রেসিলিস (Ailanthus gracilis Salisb.) হায়না কৌই অমসুং সিমারৌবেসী (Simaroubaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। মালেমগী ওইনা পূন্না য়েংবদা শাগৈ অসিগী মনুংদা অপূনবা জেনেরা ৩২ অমসুং স্পিসিস ১৭০গী মথক্তা লৈবগী পাউদমশিং লৈ।

লম-হৈমাং হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ২০ লোম ৱাংবা পিক্তক তৌবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ইভর্গ্রীন হায়বদি মতম পূম্নমক্তা মনা পান্দুনা শংদুনতা লৈ। জাভা ব্রুসিয়া (Java Brucea) নৎত্রগা কোসাম (Kosam) হায়নসু অদুমক কৌনবা লম-হৈমাং পাম্বী অসিগী মনা অসি কম্পাউন্দ হায়বদি মনা অমদা নায়াৎ ৩দগী ১৫ ফাওবা পানবা মনাশিং অদু মতু চোমলপ তৌই। পাম্বী অসি মোনোসিয়স (Monoecious) হায়বদি লাবা অমসুং অমোমগী লৈগী কয়াৎশিং অদু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পানজরবসু পাম্বী অমখক্তদা পাল্লি। জুন অমসুং জুলাইগী মতমদা ঙাংশং ঙাংনা শাৎপা লৈশিং অদু জুলাই অমসুং ওগষ্টকী মতমদা সেন্টিমিটর তঙ্খায়মুক চাওবা মুরং তৌবা মহৈশিং অদু খরা লিশিল্লকপদদি কুরাংবান অদু শুপচিল্লকই। মরু অদু হঙ্গাম মপাল মচু চঙলপ্না থাওগী কুয়োম অমনা য়োমশিল্লি অমসুং অমুবা মচুদা লংত্রিক লংই।

লম-হৈমাংগী মশা পূম্নমক অসি শায়বদা খাই (Bitter taste), পাউদমশিংগী মতুংইন্না লম-হৈমাং পাম্বীগী মশাদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিংদি ব্রুসিওসাইদস (Bruceosides), ক্বাসিনোইদস (Quassinoids), ভেনিলিক এসিদ (Vannillic acid) অসিনচিংবনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না লম-হৈমাং পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং নেপাল, ভুটান, বাংলাদেশ, খা থংবা চাইনাগী লমদমশিং, ম্যান্মার, মলেসিয়া, জাভা, ফিলিপিন্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। ইন্দিয়াগী মনুংদা লম হৈমাং মপূং ফানা হৌবা মফমশিংদি - মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, কেরলা, অন্দমানগী ঈথৎশিংনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা লম-হৈমাং পাম্বী অসি নেমতক তৌবা চীং অমসুং চীংখোং-চীংয়াশিংদা অদুমক হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমাইদগীনা মিটর ৯০০ ৱাংবা মফমশিংদসু মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌই অদুবু খরা নেমথবা মফমদসু হৌই।

লম-হৈমাং পাম্বী অসি মীওইবনা য়াম্না লিরবা মতমদগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। কুমজা ১৭৬৫দা ইখিবা চাইনাগী হীদাক-লাংথক্কী ওইবা লাইরিক গ্রান্দ মেটিরিয়া মেদিকা (Grand Materia Medica) দা লম-হৈমাং পাম্বীগী মহৈ অদুগী হীদাক্কী ওইবা মগুমশিং শীংথাদুনা ইখি। লম-হৈমাং পাম্বীদা য়াওরিবা ব্রুসিওলিদ (Bruceolides) হায়রিবা ক্বাসিনোইদ (Quassinoid) কম্পাউন্দশিং অসি কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মখল মীওইবগী পূক্নুং অমসুং থীবোং-থীরিলদা লৈবা তীল মথক্তা খরা অসিসু মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈ। অরিবা অনা-লায়েংদা লম-হৈমাং পাম্বীগী মহৈ অসি খোঙ হামথবা অমদি মলেরিয়া (Malaria) লায়েংনদুনা লাকপা অদু বিজ্ঞান্না থিজিনবদগীসু চুম্লে হায়না পাউদমখ্রে। চাইনাদা চত্থখিবা বিজ্ঞানগী থিজিনবা অমদা লম-হৈমাং পাম্বীদগী লৌবা থাও অদু লঙ কেন্সর (Lung cancer) না নারবা মীওইদা কেমোথেরাপি (Chemotherapy) গা লোয়ননা অনাবগী হকচাংদা কাপশিন্দুনা চাংয়েং চত্থবদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। অদুম ওইনমক মখা তানা কূপ্না থিজিনবগী তঙাইফদবা অদুদি লৈ হায়না পাউদম অদুনা মখা তারি।

লম-হৈমাং পাম্বী অসি অতোপ্পা কেন্সর মখল খরা - ল্যুকেমিয়া হায়বদি ঈগী কেন্সর অমসুং রেক্তেল কেন্সর (Rectal cancer) অসিদসু লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। তীলনা চিক্তুনা হূ কাবা, রিং ৱার্ম হায়বদি লাইকোয় থুংবা, চাথৎপা অমসুং উনশাগী লায়না মখল খরদা লম-হৈমাং পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। মশিংখা চাওথোকপদসু হায়রিবা অশেম্বা অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নে। লম-হৈমাং পাম্বীগী উগী মকু অমসুং মরা অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা য়াখোঙদা থোম্বদা য়া চিকপা-নাবা অদু ফহনবা ঙম্মী হায়দুনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। লম-হৈমাং পাম্বীগী মরূ হায়বদি মহৈ অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তিংলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অমসুং ঈতোন ফায়বা অসিসু লায়েংনৈ। লোক থুংবদসু হায়রিবা মহী অসি অদুমক পীথকপদা কান্নে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মরৈ মরা তৌদৌরিবা লাইচৎনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তঙাইফদনা হিংদবা য়াদনা হিংবসিদি নুংঙাইফমদি লৈবা নত্তে। অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা লৈতবনা অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকপনা ইকোন কোনবদা চফু-উয়ান ইহাঙ হাঙবগী মীরাং কাবগী ফীভমদা লাকপা করম্বা ৱাখলদা, করম্বা আশাদা হিংবসিদি নুংঙাইদা হায়দৌরিবসিবু কদাইৱাইদনো? শূরগা নোম্লগা লোয়নমক হিংগনি হায়না থাজরম্বা পূম্নমকসু মালেমগী লাইচৎনা ঙম্লগা লাম্থেংনৌ ঙমদ্রগা তাইবঙপান্দগী থাদোকহনগে? মসিমক ওইরবনি। য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবসিনা খ্বাইদগী ফরবা লাইচৎসিবু ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী অফবা পাম্বৈনি হায়বা হিংলিবা মীওইবা খুদিংনা য়ানরগদবা ৱাফম হায়বদু ওইরবনি। শূরগা নোম্লগা হিংনবা লম্বীদা নোংমগী চরা তাল্লিবা লায়রবগী পনখৈ লৈত্রবা মীওইবা কাঙলূপ খরসিনা তৌগদৌরিসি খন্থরুবদা চরা হেল্লগা হিংবনা পাম্বৈ নমদনা ওইদৌরি। অনীশুবা ৱেভ লাক্কনি হায়বসি মাঙজৌননা অখঙ অহৈশিংনা লাই পাউ ওইনা চেকশিননবা ওইনা হায়নখিবা লৈখ্রবনি। অনীশুবা ৱেভ লাকপসিদদি হিংলিবা ঐখোয়সে পোজিটিভ ওইগদ্রা চিংনবনা ইশা ইথন্তা ফাওবা থাজদবা হায়বদুমা ওইরবনি। য়াম্না চেকশিঞ্জবা কনা কনাগুম্বদি মপান থোকপদি লায়রদুনা অমাংশঙদা চঙবা ফাওবা মাস্ক উপ্পুনা চঙবা য়াওনরিবনি। লাইচৎসিনা লমদমসিগী মশক নাইরবা, শকনাইরবী কয়া তাইবঙপান থাদোকহনখিবা মসিদা পেল্লিদা হায়নগদবসিবু লৈরমদ্রা? অহানবা লাইচৎ লাকপগী অদুৱাইদদি মাস্ক উপ্পসি অমখক্তমক উপ্পা ওইনা উপ্পরম্বনি। অনীশুবা ৱেভ লাকপসিদদি লোন্নদুনা অনী উপ্পা অয়াম্বনা ওইনরবনি। মসি ফত্তেদা হায়বা য়াবা নত্তে। ঙমদবগী ৱানি মসিনা খ্বাইদগী অফবা ওইদৌরিবনি। নুমিদাংদা লোল্লম্বা থোঙ্গালগী শো ফাওবা অয়ূক নুংথিলদা মী চঙলক্কনি হঠ্নদুনা হাংদবনা মশীং অয়াম্বনি। মসি হৌজিক্কী লায়না লাইচৎসিগী হায়রুরবদি খ্বাইদগী ফরবনি।

থাজনা লৈরম্বা ইমুং-মনুংগী কনাগুম্বা মীওই অমদা পোজিটিভ ওইরকপা তম্বা ঙম্বা নত্তে। মসিগী লায়চৎ-লাইওংসিদি কনানা কনানো ৱাখল তাবা নত্তে। ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী মীওইশিংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাক্কনি খন্দুনা মপান থোক্ত্রবদি থোইনা ৱানীংঙাইগী মচাক ওইরমগদবা মান্দব্রনি। ইনাক কৈরাকপু খুল্লবা শোয়দনা শেলগী অৱাৎপা লৈরম্মোইদৌরিবনি। লৌনগদ্রা কিনবদগী মীওই অমগা অমগা থাজনদবগী চাংসু ফনা নিংথিজনা হেনগৎলবনি। থৌশাদনা অকি-অখং করিসু লৈতনা অসুক য়াম্না কিনরবা মতমসিদা লুহোংবগী থবক থৌরম পাঙথোকপা মসিসু য়াওবদি য়াওরিবনি। লায়না-লাইচৎসিগী মনুংদা নৎত্রবদি লুহোংবগী থবক-থৌরম পাঙথোকপসি লায়না-লাইচৎসিনা নেমথরক্লবা মতমদা পাঙথোকপদি করি তৌবা? নুমিৎ-থা হুইনা চাখিগদবা নত্তে। করিগুম্বদা বরদুনা পোজিটিভ ওইরবা নৎত্রগা কৈন্যাদুনা ওইরবা অনীগী মনুংদা অমা ওইবগী মতাং অমা লৈখিদে হায়বদা চিন থিবা তানদৌরিবনি। মসিগী চৎন-কাঙলোনসি তৌদবা য়াদবদৌনা শিংলি পাবল থোকপা মখৈ, করম তৌগবনো খন্দুনা মথা শাহনগদবগী শরুক ইশম শম্বীদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা নেমথখ্রবা মতমদা তৌবনা, পাঙথোকপনা মায় পাকপা শোয়দনা ওইদৌরিবনি। লাইচৎ-লায়ওংসিনা তাইবঙ চেংজেল লোইদুনা লাইরমলেন্দা থৱায় মানা চৎখ্রবদা হকচাং মাদি লৈহৌদবা য়াদবনিনা... মসিদা মরী-মতা, মচা-মশুনা মথৌ-মঙম পাঙথোকপসু... মসিমা অদুমক মায়োক্লদুনা লৈরবনি। লৈখিদ্রবা মীওইদুবু কদায়দগী পীবা ঙমগদগে। লৈখিদ্রবা থৱায়না মপুগী খুয়াদা চঙজখ্রে। করিগুম্বা নাম অমা ফংজ দুনা বৃন্দাবন প্রাপতি ওইখ্রে - মসিনা অয়াম্বা ওইনা তৌরবনি। মসিদি খরদি হেনমল্লবনি। লোল অমগা লোল অমগা নপশিন্নবগী থবকসিমা মতমসিগী হৈথোই শিংথোইরবা ময়ামসিগী মনুংদা খরদি হেল্লবনি। থায়নগী ৱারীনা ৱারী ওইখ্রবসু, মতম অমদা উনা শাবা খুদেংদা ফি শুরিঙৈ, সুধা সাপোন মরাং পায়না ফংদ্রিঙৈদা চরু উৎনা... শিথরক্তনবা হোৎনরগা ফিশু-ফিজাম্নবা হোৎনরম্বা পূম্নমক ঙসিসিবু মদু উরিদা হায়বা য়াবা নত্তে।

করি করিগুম্বা মতমদা নোং ফজনা তারকপা মতমদা ঈশিং অরুবা ফংনবগীদমক শীজিন্ননবগীদমক ফি অঙৌবা অমদা মচিন মচিন্দা পুল্লগা উচুক মরি য়ৈরগা ফিদুগী ময়ায়দা ফজনা চামথোক্লবা নূং অমা হাপ্লগা নোংগী ঈশিং য়াদুনা কেরফু নৎত্রগা সনাবুলদা য়ারম্বা মসি পূম্নমক মাঙখিদুনা ঙসিদি টোটি ঈশিংনা মহুৎ শিল্লকপা অখঙবা থেংনহৌবা মীওইতনা শোয়দনা নীংশিংলমগদৌরিবনি। নীংশিংবা হায়বসিতবু থোকখিদবা থেংনরকখিদবা অমত্তা নীংশিংবগী পরমদা লাক্কদবা নীংশিংলুগদবা নত্তে। উরুবা খঙলুবা থেংনরুবা অদুতনা ঙম্নমক ৱাখলগী পরমদা লাক্তনিংঙাই লৈরোই। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা মখা তাথনা অসুমক লৈথবা তারবা মপু মাগী খুয়াখাদা ৱাখল নুংঙাইনা ঈংনা চিক্লা লৈগদৌরিবসিবু ওইগদৌরিব্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। শিবু শিরবা মশাগী লায়না অমদগী মপুন্সি লোইরবসু মদুবু করিগুম্বদা লায়েংশঙদা পুখৎতুনা লায়েংলুরবদা মমৈদা কোভিদনা ... মসিমা শোয়দবা ওইনা তৌরক্কনি, থাজনবা ওইরবনি। হৌজিক্কী খুহিংসিদা ইশা ইশাদা লায়না-তীলনা লৈতনবা হোৎনবা মসিদগী ফবা অতৈ অমা লৈগদবা মান্দ্রবনি। ডাক্তরদা চৎতুনা অনা লায়েংবগী খুদোংচাবদু অনাবা অমত্তা চৎনীংবগী অপাম্বা লৈনদ্রবনি। অশোয়বা কয়া অমা পুথোকপা ঙম্বা কোভিদ-১৯সিনা লোইশিন্দ্রিবা মখৈ মীওইবা ঐখোয়দা পীরিবা চৈথেং হন্থগদবা মান্দ্রবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।